মেঞ্জোর মঙাংনা মাস্ক, সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লমদিং এলাংবম লৈকায়দা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎলক্লিবা ফীভম অসিদা সোসল ৱর্কর মেঞ্জোর মঙাংগা এস এ সী সী এ ক্লব লমদিং অমদি লৈকায়গী মীওইশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লমদিং এলাংবম লৈকায় শিনবা থুংনা দিসইনফেক্টেন্ট কাপথোকখ্রে হায়রি।

হিদাক কাপথোকখ্রবা মতুংদা সোসল ৱর্কর মেঞ্জোর মঙাংগী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী মচানুপা ডা. রোমেন কুমার খুন্দ্রাকপমগী মখাদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংদা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিংসু খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. রোমেন কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এ সী অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসি থেংননবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা এস ও পি ঙাক্তুনা মীয়াম পুন্না কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

Important Phone Nos.

RIMS - 2414478
J.N. Hospital - 2450385
DG Control - 2450100

FIRE SERVICE

Imphal - 101
Moirang - 8415925197
Churachandpur - 8415925191
Thoubal - 8415925203
Kakching - 8415925194
Jiribam - 8415925193
Mayang Imphal - 8415925196
Bishnupur - 8415925190
Moreh - 8415925198
Kangpokpi - 8415925195
Ukhrul - 8415925205
Senapati - 8415925199
Chandel - 8415925192
Singhat - 8415925201
Sugnu - 8415925202
Yairipok - 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.019811
US Dollar	73.454164
British Pound	94.004556
Australian Dollar	53.490712
Chinese Yuan Renminbi	10.749234
Japanese Yen	0.691982
Malaysian Ringgit	17.687053
Singapore Dollar	53.681823
South Korean Won	0.061784
Saudi Arabian Riyal	19.587777
Thai Baht	2.346980
Myanmar Kyat	0.05553
Bangladesh Taka	0.86587

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai – Rs 51486.00
Mumbai – Rs 51571.00
Delhi – Rs 51716.00
Kolkata – Rs 51866.00

GAS NEWS

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 09/07/2020
Sl. No. - 920
ONLY HOME DELIVERY
Contact No. 7005771527
Office. 9774068549
WhatsApp no. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-12/08/2020
Valid from-03/08/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 29/07/2020
Valid from : 23/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.70 A&B of 23/07/2020
Valid from : 19/07/2020
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30am to 11.00am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 16/07/2020
Valid from : 05/07/2020
Stock : 272
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12.00 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 31/07/2020
Valid from : Nill
Stock : 306
Delivery date : 14/09/2020
Home Delivery only.
For registration
SMS IOC<space> 03852427434<space> consumer no. to 9089024365.
For booking
SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry. from 8.00am to11:30 am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 28/07/2020
Valid from : 28/06/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon

TDK GAS
Booking upto : 16/07/2020
Valid from : 14/07/2020
ONLY HOME DELIVERY
CONTACT NOS. 6909614353/ 8731992324

নিপকোগী ২০শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

'ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং চেকশিন্না য়েংমিন্নসি'

20TH FOUNDATION DAY
NATIONAL IDENTITY PROTECTION
MANIPUR
ON 13th SEPTEMBER, 2020
VENUE: EEMA HA KEISHAMPA

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (নিপকো)গী ২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লূপ অসিগী কনফরেন্স হোলদা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

নিপকোগী সেক্রেটরি পি বিশমভোরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মপোক কুমওন থৌরম অদুদা নিপকোগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহার, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম অমসুং নিপকোগী এদভাইজর এন জি দেবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, নিপকোনা হেক লিংখৎলকপদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা লমদমসিদা লৈরিবা ইস্যু কয়া হায়বদি য়েলহৌমী কন্ননবগী অমদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঐখোয় পুম্নমক্সু মাঙ তারিবশিং অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবনা তুংগী অপূনবা লম্বেল অমা ওইগনি। ফুরুপশিংদা শিংচেপ থাদুনা পুন্না হিংমিন্নদুনা লাকপা পুন্সিরোল থুগায়নবা হোৎনরক্লিবশিং অসিদগী চেকশিনমিন্নসি। সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দো নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়রিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং ফুরুপ পুম্নমক্না চেকশিন্না য়েংমিন্নসি। পিছ টোকনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ৱাফমদা চেন্নরকপা য়াওরবদি মণিপুর মীয়াম্না কদায় ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙগদবনি অমদি কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা উৎথিবা থৌনা লিংজেল অদুদগী হেন্না অচেৎপা ফিরেপ লৌরকপা য়াই। মরম অদুনা কাঙলুপকী ওইবা মিংদা থৌরাং থৌশিল অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই। ফুরুপ খরগী পেন্ননবা হোৎনবদা অতোপ্পা ফুরুপকী খল কাইগদবা পোরম পোম্মিৎ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলোইদবনি। টোক অসি নেগেটিভ টোক ওইহন্দনা পুন্না য়ানবা পোজিটিভ টোককী ৱারোইশিন মথৌ তারে।

নাকল অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী মরকসিদা মীশি-মীনা অমদি পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্তুনা লৈকায় শম্বল খান্নরি। মনিং তম্না পোৎ লৈবা য়োনবা য়াদ্রি, য়ুমদগী মপান থোকপা কিনরিঙৈ চৈরক অসিদা বাই ইলেক্সন তৌগনি থৌরাংলিবা অসি মতাং মতম চাদ্রি। লায়না-লাইচৎ অসিগী মায়োন য়েংবা মথৌ তারি। করিগুম্বা নমহাদুনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লৈঙাকসিনা ৱারেপ লৌরক্লবদি মসিদা লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা হেল্লক্তুনা মীশি-মীনা য়াওরক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা থৌদাং লৌগদবনি। ষ্টে হোম হায়দুনা লাউরি। বাই-ইলেক্সনদনা মপান থোরকউ হায়বগা য়াম্না খেন্নরে হায়নসু ৱাঙাংলোয়শিং অদুনা ফোঙদোক্লখি।

নিপকোগী মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহার অমদি এদভাইজর এন জি দেবনা লুচিংলগা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা ইম্ফালগী মফম খরা খনগৎলগা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা হিংবদা ৱারবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা লৌমীশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ইম্ফালগীদমক লৌশিনখ্রবা লম মনুংদা লৌ উশিল্লম্বা অদু শাৎলক্লবা মতমদা ট্রেক্টর ময়াম শীজিন্নদুনা খোয়দোক্লগা এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা মাঙ-তাকহনখিবা হায়বসি লৌ উজরিবা লৌমীশিং অদুদা শেল-থুমগী অৱাবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎপীবগা চপ মান্নরে। এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা লৌমীশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসএসন (এ এম পি এফ এ)গী সেক্রেটরি জেনরেল দল্লিয়ু ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৌউ-শিংউ তৌরিবা লৌমীশিং অসি শেল-থুম পায়জদবা, মশাগী শেন্থোক লম্বী নীংথিনা লৈতবা লায়রবা লৌমীশিং ওইবনা লৌউ-শিংউবদগী ফংলকপা পোখোকশিং অদুনা চরা নোংখন্নবতা নত্তনা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রদা শীজিন্নরিবা ঙাক্তনি। লৌ সঙম অমা উবদা লুপা লিশিং ১৫ দগী তাদনা চাংচৎতা চঙনৈ হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। কুম ফৎতবা মতমদনা শেল চঙবগী চাং অমুক্কা হেল্লি। হন্দক্কী কুম অসি কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা শুফম-নোম্ফম লৈতবদগী কোক্তা খুৎ হাপ্পবা মতম হায়বদু ওইরে। কুম অসিদা শেন্থোক লৈজদবা লৌমী অমনা য়াম্লবা শেনফম মাঙখিবা হায়বসি তুংগী পুন্সিদা হৌগৎপা ঙমদনা পুখদুনা লৈখিবা য়াবা ফীভম অমা ওইবা য়ারিবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা লৌমীশিং অসিদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীদুনা অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা শীনবীয়ু।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি-ঙসিমক বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল ওথোরিটিদা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈননা থোক্লিবা থৌদোক অসি তরাইনা য়েংবা য়ারোই। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি অতৈ মফমশিংদসু থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরমদি মীতোপ অমনা লৌশিনখ্রবা মফম হায়বসি ঙসি থোক্কনি, হয়েং করি ওইগনি খঙবা নত্তে। অদুগুম্বা মফম অমদা লৌমীশিং অদুনা ফৌ খজিক্তং লোক্লবদি হায়দুনা লৌ উরুবা হায়বসি লৌমীশিং অদুগী শেন্মীৎলোন থোইদোক্লা অফবা য়াওদে হায়বনি। শেল-থুমগী ফীভম ফবা, মশাগী লৌচা-শিংজা লৈজবা লৌমীশিং ওইদে তাকপনি। এয়রপোর্ট কেম্পস মনুংদা এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা খোইদোকখিবদগী থোক্লিবা থৌদোক অসিনা খুদম ওইদুনা ঙসিদি লৌ উফম লৈতদুনা ককঙাওনরবা, লৌ উননবা লৌফম মচেৎ অমত্তং ফংলবদি হায়দুনা লাইনিং ওইজবা লৌমী মশিং থিঙমদনা লৈরি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবীদুনা থম্মোয় শেংনা লৌফম কন্ননবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু। এয়রপোর্টতা থোক্লিবা থৌদোক অসি লৌফমশিং নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপনা লৌ উনবা লৌফম লৈরক্তবদগী থোক্লিবা থৌদোকনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতুংদসু অসুম অসুম থোক্লকখিনি। লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েং অমগী মখাদা লৌফম কন্ননবা থৌরাং পায়খৎকদবনি। মওং অমা নৎত্রগা অমদা লৌফম মাঙহন্ননবা হোৎনরকপা খূদিংমক থিংগদবনি। লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী মমি তাহনগদবনি। লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদসু লৌফম শোকহল্লোইদবনি। খুন্নাইসিগী মীয়ামগী অপাম্বা য়েংদুনা থবক তৌবা লৈঙাক ওইগদবনি। নীংথিনা লৌফম কল্লবতদা লৌমীশিংনা লৌ উফম লৈতবগী অৱাবশিং কোক্তুনা তংদুলৈতানা পোখোক পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎতুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি অমসুং চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কে ঐচ ইবোমচানা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থবক শুফম নোম্ফম খঙদনা অৱাবা মায়োক্নরিবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লাই এ সীগী নুঙ্গৌই মখা লৈকায় অমদি নুঙ্গৌই ময়াই লৈকায়গী য়ুমথোঙ ১৮৭ তা বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর খোংবান্তাবম ইবোমচানা চেঙ কেজি ১০/১০ য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইবোমচানা হায়খি, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৫ হেন্না লোকদাউন তৌদুনা লৈরিঙৈদা মীয়ামগী অৱাবদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা মতেং অসি পীবনি। হৌজিকসু লোকদাউন লৈত্রগসু শুবা নোম্বা চৎপদা চিংনবা কয়া লৈরিবনা মীওই অয়াম্বা চৎথোক্লদ্রি। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়না চোংথোরকপদগী লন্নাই ওইনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরবসু মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা অরৈবা খরা চামিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা চেঙ য়েঞ্জবনি। মতেং পাংবগী থৌরম অসি মখা তানসু চথখিগনি। লোয়ননা মীয়াম্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না পীবা এস ও পি ঙাক্লা চৎতুনা কোভিদ-১৯ নাদনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইরাবত মীতমগী অকোয়বা শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা ইরাবতকী মীতম য়াওনা অকোয়বশিং হিজম ইরাবত মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শিৎ-শেংখ্রে।

শিৎ-শেংবা অসিদা ট্রষ্ট অসিগী মেম্বর খোইস্নাম টোকিওনা হায়খি, হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম লাকপগা লোয়ননা পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈরিবা লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা মতম য়ৌরক্লে। লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বসি লূ-নানবা হায়বসিগী ৱাখল্লোননি। লময়ানবা অসিনা পামজরম্বা অসি য়াওদবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপা মপুং ফারোইদবা মরম্না শেংদোকচবনি। লূ-নানবা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকচবনি হায়খি।

লৈঙাক্না অথুবা মতমদা অহকপা চৈরাক পীবিয়ু : আই ই য়ূ সী ও

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংচন্না লৈবা য়েনদাও পল্লিদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইহিবি নুপীমচা অমবু মহাক্না নুংশিনজবা অমনা মমান্নবশিংগা লোয়ননা তমথিনা শরাক তম্বিদুনা ইকাইখুম্নবা মাংহনবিরম্লগা হুন্দোকপীরম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবগী থৌদোক অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট য়ূনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই ই য়ূ সী ও)গী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায় মণিপুরদা অসিগুম্বা কা হেনবা থৌদোক কয়া অমা থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা কয়া লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থিংবদি ঙমদ্রি। ক্রাইমশিং থিংনবা অমদি অথুবা মতমদা ৱায়েল ফংহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিং লিংখৎখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা কোর্টশিং অসিগী মথৌ নিংথিনা তৌহনদবনা নোংম-নোংমগী নুপী অঙাংদা তমথিরবা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা চৎথরক্লি। মসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না মরু ওইনা নুপাশিংনা অসুম য়েংদুনা কয়াম কুইনা লৈখিগনি? মরম অদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা মরাল লৈরবা মীওইশিংনা ফংফম থোকপা অহকপা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়রি।

লৈঙাক্না নীংশিঙবিগদবদি ষ্টেট অসিগী সিটিজেনশিংগী পুন্সি ঙাক-শেনবা হায়বসি লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি। থৌদাং অসি হীক্তোকপীদনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংদা হায়জরি। লোয়ননা হোমগী থবকসু পুবিরিবা সী এমনা অসিগুম্বা কা হেনবা শারমচৎ চৎপা থৌওংশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা চেন্নবা পুম্নমক মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনগনি অমদি থা অনীগী অতেনবা মতমদা চার্জ সিট থাগৎকনি হায়না ফোঙদোকপীখিবগীদমক আই ই য়ূ সী ওনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা নুপীদা চৎথরিবা তমথিবা থৌওংশিং অসি থিংননবা অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী অকনবা লো অমা শেমদুনা চৎনহনগদবনি। মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাং অমদি ঙসিগী খুন্নাইদা মণিপুরী নুপীশিংগী থৌদাং খঙনা নুপাশিংনা নুপীদা চৎথবা তমথিবা শাগী শাজৎ হোংহন্নবা অহকপা লো অমা শেম্নবা আই ই য়ূ সী ওনা দিমান্দ তৌরি। লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী খোঙজং খুদিংমক্তা আই ই য়ূ সী ওনা শরুক য়াজগনি লোয়ননা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

চান থক্লবা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : হৌজিক-হৌজিক মুম্বাইদা পাঙথোক্লিবা ভর্চুয়েল পিজেন্ট আইৱা মিস ইন্দিয়া ২০২০দা শরুক য়াদুনা ফাইনেলিষ্ট য়াওরিবী নেসনল গেমস ভিলেজ লম্ফেল পাৎতা লৈবি জয় সাপমনা কোভিদ-১৯ থেংনরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

জোয়া সাপম হৌখিবা সন্সলিক মিস নোর্থ ইষ্টত ২০১৯ দসু মিস বিয়ুটিফুল ফেস এৱার্দ অমদি চহী অসিদা পাঙথোকখিবা আইৱা সুপর মোদেল ২০২০দা সোসিয়ল মেদিয়া আইকোনগী টাইটলসু ফংখি।

খোঙজং চঙশিনগদৌরি...

লামায় ১গী মখা... লাক্কদৌরিবা থা ৬ চুপ্পা থা খুদিংগী লুপা ৭,৫০০ পীগদবনি। মীপুম খুদিংমক্তা থা খুদিংগী চেঙ কেজি ১০/১০ লেম্না ফংহনগদবনি।

বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লায়রবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংবু চহী খুদিংগী নুমিৎ ২০০ থবক শূহনগদবনি। অর্বান ইমপ্লোইমেন্ট গরান্টি এক্ট চৎনহনবগা লোয়ননা থবক ফংদ্রিবা মীওইশিংদা অন ইমপ্লোইমেন্ট এলাৱেন্স পীগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোকদাউন মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্স ১১বু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা সী পি আই (এম) গী লুচিংবা অসিনা হায়খি, নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, নেসনল দিজিটেল হেল্থ মিসন, ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট অমদি অনৌবা মাইনিং রেগ্যুলেসননচিংবা পূম্নমক পার্লিয়ামেন্টতা নীংথিনা খন্নরবা মতুংদা চৎনহনবা মথৌ তাই।

এম য়ুগী মথক্তা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু এপ্লিকেসন অসিদি বোর্দতা উৎলকত্রে হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখি। ৱাফমসিদগী দিভিজন বেঞ্চনা কন্টেম্পট কেস অসিগা লোয়ননা মিসেলিনস কেস অসিসু লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। লোয়ননা কোজ লিষ্টতা কন্টেম্প কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি এল শশিভুষনগী মমিংসু কোজ লিষ্টতা য়াওহন্নবা দিরেক্সনসু পীখি।

২৭ শুবা কুকি ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ২৭ শুবা কুকি ব্লেক দে (মানিট-নি)গী থৌরম ঙসি চুড়াচান্দপুরগী মরু ওইবা টাউন অমা ওইরিব তুইবোংদা লৈবা কুকি ইনপি চুড়াচান্দপুরগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কুকি ইনপি মণিপুর (কিম)গী প্রসিদেন্ট খাইমাং চোংলোই, কে আই সীগী প্রসিদেন্ট লৌপু হাওকিপ, কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)গী প্রসিদেন্ট পিতস হাওকিপ অমসুং তোঙান তোঙানবা চুড়াচান্দপুরগী ট্রাইব লিদরশিং অমসুং কুকি লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী 'অন্টু ইভরি পার্সন কিল দিয়র ইজ এ নেম' অমদি 'লেষ্ট ৱি ফোরৱার্দ' হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি তাঙ্কক অনীরক থোক্লা মোনেলিষ্ট অচৌবা অহুমদা মীওই ১১৫৮গী মমিং ইরিবা মোন্যুমেন্ট সাইটতা পাঙথোকখিবনি। থৌরমগী মপুং ওইবা মরক্তা কুকিচীফ এসোসিএসন, চুড়াচান্দপুরনা গন সোলুট পীখি। মসিগী মথংদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপা অমসুং কথোকপগী থৌরম মাষ্টর গিনখনমুংনা পাঙথোকখি। অদুগা লৈখিদ্রবশিংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

ঙসিগী অনীশুবা সেসন্দনা কে আই সীগী প্রসিদেন্টনা থৌরমদা শরুক য়ারিবশিংবু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। কিমগী প্রসিদেন্ট অমসুং শরুক য়ারবশিংগী মরক্তগী মীওই খরনা ৱা ঙাঙখি। অদুগা কে আই সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট লালভুল্লিরেন মারনা ময়ামদা থাগৎ ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কিমগী ভাইস প্রসিদেন্ট (এক্সর্টনেল) রোবুল পুদাইটেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯২ দগী হৌরদুনা এস এস সী এন-আই এমনা লুচিংবা তাঞ্জুলশিংনা কুকিশিংবু মীনুংশি য়াওদনা হাত্তোকপিখি হায়খি। মসিগীদমক লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অদুগীদমক জষ্টিস পাম্বদগী য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টতা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়জদুনা লাকখ্রবসু তৌবিদদুনা লাখি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুকিশিংনা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি (আই এন এ)গা লোয়ননা বৃটিশশিংগা লান শোক্লরকখি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মসিবু খঙবিদবদগী লৈঙাক্তা এন এস সী এন-আই এমগা ৱারীশানবগী মহুত্তা অশেংবা প্রোব্লেম খঙবিগদবনি হায়রি।

কিমগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা ব্লেক দে অসি ফরুপ অমত্তগী মায়োক্তা পাঙথোকপা নত্তে হায়দুনা মখোয়না জষ্টিসকীদমক ব্লেক দেবু হ্বাইট দে ওন্থোকপা পাম্মী। অদুবু লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অসিগীদমক জষ্টিস ফংদ্রিবা ফাওবদি থৌরম অসি পাঙথোকখিগনি হায়খি।

মরক্কী মীখলদা এন পি পিগী...

লামায় ১গী মখা... মওংদা নৌনা শেমগৎলিবা কাংশঙগী ফীভম য়েংবা লাকখিবা কোনরাদ কে সংমানা হায়খি, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমত্তা ওইনবগী পান্দমদা পর কেপিটেল ইনকম অসি পোলিটিকেল্লি অমসুং ইকনমিকেল্লিদা চপ মান্নহন্নবা হোৎনগনি। মণিপুর অমদি মেঘালয় মরুপ-মপাং অমা ওইবগা লোয়ননা উদান স্কিমগী মখাদা মেঘালয়াদগী মণিপুর ফাওবা অথুবদা ফ্লাইট সর্ভিস লৈরগনি।

ঙসি মহাক্না তেন্থাদা লাক্লিবসি করিগুম্বা পোলিটিকেলগী থবক থৌরম অমত্তগা মরী লৈনদে। নুংশিনবা অমগী মতুংইন্না, মরুপ-মপাং অমা ওইনা হান্না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মোইরাংথেম নরগী য়ুমদা ইচম চম্না কোয়বা লাকপনি হায়খি। মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমাগী তেন্থা খোঙচৎ অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং ট্রাইভেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এন কাইসিসু লোয়নরকখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা তেন্থাদা হেক থুংলবগা উ চারাশিংসু থাখি।

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ঙসিদগী...

*লামায় ১গী মখা...*এমেন্দমেন্ট বিল ২০২০; দি বেঙ্কিং রেগ্যুলেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০; দি টেক্সেসন এন্দ অদর লোজ (রিলেক্সেসন ওফ সর্টেন প্রোভিজন্স) বিল ২০২০; দি ইপিদমিক দিজিজেজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০; দি সেলরি এন্দ এলাৱেন্সেস ওফ মিনিষ্টরস (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০ অমসুং দি সেলরি, এলাৱেন্সেস এন্দ পেন্সন ওফ মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০নি।

পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্না পাস তৌরবা য়াই হায়না থাজনরিবা অতৈ বিলশিংগী মনুংদা দি পেষ্টিসাইদস মেনেজমেন্ট বিল ২০২০; দি নেসনল কম্মিসন ফোর ইন্দিয়ন সিষ্টম ওফ মেদিসিন বিল ২০১৯; ইন্টরনেসনল কম্মিসন ফোর হোমিওপেথি বিল; দি ইন্সটিট্যুট ওফ টিচিং এন্দ রিছার্স ইন অয়ুরবেদ বিল ২০২০; দি এয়রক্রাফ্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০; দি কম্পনিজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০ অসিনচিংবা য়াওরি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপলুবগী...

লামায় ১গী মখা... রেসপোন্দেন্টশিংগী মহুৎ শিন্দুনা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎকী অর্গ্যুমেন্ট সবমিসনসু লোইশিনখ্রে।

পিটিসনশিংগী পিটিস্নর কাউন্সেল অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংগী মহুৎ শিনবশিংগী ৱাফমশিং মপূং ফানা তাবা লোইশিল্লবা মতুংদা কোর্টনা পিটিসনশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি কোর্টনা মেটরশিং অসি লৌখৎলকপদা মণিপুর লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পবগী এক্ত শেম্বা ঙম্বা, ঙমদ্রগনা এক্ত অসিবু অমুক এমেন্দ তৌবদদি ঙমফম থোকপ্রা হায়বগী মতাংদা অর্গ্যুমেন্টশিং তৌনখিবনি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমা...

লামায় ১গী মখা... কাংপোকপীদগী মীওই ১, চুড়াচান্দপুরদগী ১১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৩ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবনি। অতৈ মীওই ১১৭তি মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌখিবগা লোয়েননা মীওইশিং অদুগা নক্নরুবা অমদি লোয়নখিবা অতৈ মীওই পুম্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৮৯ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১১, রিমসতগী ৬, আর কে ককচীংদগী ৫, কোভিদ ক্যের সেন্টর য়ুনাকোদগী ৪৫, কোভিদ ক্যের সেন্টর জিরিবামদগী ২ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টর লম্বোই খোংনাংখোঙদগী মীওই ২০ আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী দিসচার্জ তৌখিবনি।

মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ৭৮৭৫ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৬০৬৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৮১২নি। নারুবদগী ফগৎলকপা মীওই ৬১৯১গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৪৬৮২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৫০ য়াওরি। এক্টিভ কেস ১৬৩৮ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩৩৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০০ য়াওরি। নাবা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৮.৬১ ওইরে হায়রি।

দল্লিয়ু ৱাইগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী লমজিং মখাদা সী দি ও, ককচিংগী সব-ইন্সপেক্টর রোকিনা লুচিংবা কাঙবু অনীনা মীওই ২দগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১০,০০০গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পল্লেলগী এরিয়াদগী কেনবো বাইক অমদা লৈবা মীওই অনী চেক তৌবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। দল্লিয়ু ৱাইগা লোয়ননা ফাগৎলবা মীওই ২ অদুদি পাওখোহাং তৌথাং (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা জাংখোথাং তৌথাং, পাইখো ভিলেজ, কামজোং ভিলেজ হৌজিক্লা লাংলোমভেং, মোরে ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈবা অমসুং লুনখোহাও বাইতে (২৫), অপোকপা জাংখোপাও বাইতে, খোনোমজাং ভিলেজ, হৌজিক্লা লৈসান ভিজেলদা লৈবনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অমদি পোৎলমশিং মখা তানা ককচিং পুলিসতা শীন্নদুনা কেস অমা লৌখৎলগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (কে এ দি য়ু সী ও)না য়ুথ ভলন্টিয়র এসোসিএসন (ৱাই ভি এ) পল্লেলগী থৌমীশিংগা খুৎশম্নদুনা পি ঐচ সী পল্লেলগী অকোয়বদা উ চারা ১০০ থাখ্রে। মখা তানসু পল্লেলগী মরুওইবা মফমশিংদা উ চারাশিং থাখিগনি। লূ-নান্না, অশং-অমান্তনা থন্না লৈরবা মতমদা ঐখোয় মীওইবদা লায়না কয়া চঙবা ঙল্লোই। লূ-নান্না লৈদুনা অমদি এস ও পি ঙাক্লবদতা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়নসু য়ুথ ভলন্টিয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ রোমেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৈনবা শিনফম অমদা মায় ওনশিল্লবদি...

লামায় ১গী মখা... লাইনীং চৎপশিংগী কৃষ্ণ, মহাদেব অমদি গনেশনচিংবগী মিতমসু শাখি। মীতৈ লাইনীং চৎপশিংগী ওইনা ইমা ইমোইনু অমদি পান্থোইবীনচিংবগী মিতমসু নূংদা হক্তুনা শাখ্রে।

মহাক্না হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া শাদুনা পুথোরকপদা মীয়াম্নসু পাম্না লৈনরি। লৈঙাক্কী থবক তৌদ্রবসু শিনফম অসিদা মায় ওনশিল্লগা কোম্না হিংবা ঙল্লে হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৩দা ষ্টেট লেভেল এৱার্দ ফংখ্রবা লাইশ্রম গান্ধী, থোংজু পার্টটুদা লৈবা লাইশ্রম কুঞ্জবিহারি অমসুং লাইশ্রম ওংবী তম্ফা লৈমগী মচানুপী ৪ অমসুং মচানুপা ৩গী মনুংদা অনীশুবা মচানুপানি।

হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং মাঙহন্দনবা...

লামায় ১গী মখা... পাম্বীশিং অসি কা হেন্না মাঙশিল্লক্ত্রিঙৈদা কলহৌননবা হোৎনবা চঙই। মণিপুর লৈঙাক্লসু হীরমসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎহৌরবদি তুংগী মীরোলদসু হেন্না কান্নবা পীগনি খল্লি।

অঙৈং-অশাগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাকপা অসিনা পাম্বী কয়া নীংথিনা হৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লাকপা য়াই। য়েলহৌ পাম্বীশিং নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরকপা অসি মণিপুরগী ওইনদি অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরক্কদৌরিবনি। হিদাক কান্নরবা য়েলহৌ পাম্বীশিং কয়া মাঙখ্রবা মতমদা ঐখোয়না চাউথোকচরিবা বাইও দাইভর্সিটিগী হোটস্পোটকী মিংথোলসু মাঙখিবা য়াই। হন্দক্তা বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা হৌরিবা পাম্বী মখল ৭৫গী মথক্তা অতোপ্পা মফম অমদা হৌদ্রে হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা পাম্বীশিং অসি কনাগুম্বশিংনা লোয়নমক খঙলমগদবা মান্দে। খঙদবশিংনদি পাম্বীশিং অদু ইরায় লাইনা খন্দুনা করিসু নত্তবা পাম্বী অমগুম্না খল্লমগনি। হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং অসি লমদমসিদা নীংথিনা হৌরিব্রা হায়বসি থিজিনবা মীসু পংলৈ লৈরমগদবা মান্দে। অদুনা হীরমসিগী মতাংদা হেন্না কুপথনা থিজিন্দুনা লমদমসিদা ফংলম্বা হিদাক কান্নরবা পাম্বী কয়া য়াম্না মাঙখ্রবগে হায়বদুসু খঙদোক্লবা হোৎনবা চঙই। মদুনা হিদাক কান্নরবা য়েলহৌ পাম্বীশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসিদা হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং অসি খক্তগী ওইবা বোটানিকেল গার্দেন অমা শেমগৎপা য়াম্না মথৌ তাই। বোটানিকেল গার্দেন শেমদুনা য়েলহৌ পাম্বীশিং অসি য়োকখৎহৌদ্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।